# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ পোরোংখোক

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**মীয়াম্না** থোইদোক্লা খঙনবিদ্রবসু হীদাক্কী মগুণদি থোইদোক হেন্দোক্লা য়াওবা পান্বীশিংগী মনুংদা পোরোংখোক হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। পোরোংখোক হায়রিবা পান্বী অসি হিন্দিদা সরিভান (Sarivan) নৎত্রগা সালাপার্নি (Salaparni), সংস্কৃটতা ভিদারিগন্ধা (Vidarigandha) নৎত্রগা অনশুমতি (Anshumati) নৎত্রগা সালাপার্নি (Salaparni), বেঙ্গোলিদা সালাপানি (Shalapani), টামিলদা পুলারি (Pulladi) নৎত্রগা মুভিলাই (Moovilai), মারাথীদা সালাভান (Salavan), তেলেগুদা গিতানারাম (Gitanaram) নৎত্রগা কোলাকুপোনা (Kolakuponna), মালায়ালমদা পুলাতি (Pullati), ইংলিসতা সাল লিফদ বুশ (Shal leafed bush), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *দেসমোদিয়ম গঙ্গেতিকম (Desmodium gangaticum Linn.)* নৎত্রগা *হেদাইসারুম গঙ্গেতিকম (Hedysarum gangeticum Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *হৱাই থরাক্কী* শাগৈ হায়বদি *পপিলিওনেসী (Papillionaceae)* দা চল্লি। পান্বী অসিগী স্পেসিসকী মমিং গঙ্গেতিকম হায়বসি গঙ্গা তুরেলগী মপালদা য়াম্না মরাং কায়না হৌবদগী থোনখিবা ওইগনি।

পোরোংখোক পান্বী অসি ইন্দিয়াগী সব কন্টিনেন্ট চাইনা, জপান, খরা শারপ তৌবা অফ্রিকাগী ত্রোপিকেলগী লমদমশিং, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, লাওস, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা হৌই। পান্বী অসি ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ১৫০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিং মরুওইনা জঙ্গল অমসুং শনজাবুং অমসুং লম্বীগী মপালদা থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌদুনা মীয়াম্না পান্বী অসিবু ৱীড হায়বদি হাজোংবা পান্বীনি হায়না লৌনৈ।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুংইন্না পোরোংখোক পান্বীদা য়াওবা কেমিকেলশিং অদুদি N-dimethyltryltryptamine, Hypaphorine, Hordenine, Caudicine, Gangetin-3H, Gangetinin অমসুং Desmodin অসিনি। অর্যুবেদিক্কী লায়েংদা পোরোংখোক পান্বী অসি থোইদোক হেন্দোক্লা মরু ওইনা শীজিন্নৈ। দসমুলা (Dashmoola) হায়না থোইদোক্লা ফাওরিবা অর্যুবেদিক্কী থোইদোকপা পান্বী ১০গী মনুংদা পোরোংখোক পান্বী অসি অমনি। অর্যুবেদিক্কী লায়েংদা পান্বী অসিবু অসুম্না শুগাইনা পীরি :- মঘুরা/টিকা- Sweet, Bitter (অথুম্বা অমসুং অখাবা), গুরু/নিগঘা - Oily, Heavy (থাও য়াওবা অমসুং থোইদোক্লা লুম্বা), উশনা - Hot (অশাবা, পোন্তেসি), ভিপাকা - Sweet-metabolic property. চরক (Charak) অমসুং সুসরুট (Sushrut) সমহীতা (Samhita) গী মতুং ইন্না পোরোংখোক পান্বী অসি অসুম্না শুগাইদুনা ইরি :- (ক) Angamardhaprashamana - Group of herbs that help to relieve myalgia- হায়বদি মীওইবগী তোংশা কায়দুনা চীকপা-নাবা, (খ) Shothahara-Anti-inflammatory group of herbs - মীওইবগী তোংশাদা অমাং অতা থোকহনবা অমসুং পোমখৎপা, (গ) Balya - Group of herbs that improve strength- মীওইবগী পাঙ্গল হেনগৎহনবা, (ঘ) Snehopaga - Group of herbs that are used in Snehana (Oleation - preparatory procedure to Panchakarma) - মীওইবগী হকচাংদা য়াওবা থুম অমসুং ওলিক এসিদকী এনায়োনশিং, (ঙ) Madhura Skandha - Group of herbs with Sweet taste - মহাও লৈবা অসিনচিংবনি।




অনা-লায়েংদা পোরোংখোক পান্বীগী শীজিন্নফম অসি অসুম্না নৈনবা য়াই :- (i) চাবা তুমদবা :- কনাগুম্বা মীওই অমা চাবা তুমদ্রবদি পোরোংখোক পান্বীগী কংহল্লবা মনা অমসুং মতোন অদু কুপ্না তকখায়রগা খোইহীগা তোৎলগা নোংমদা চামচ ২গী চাংদাদা চাক তোল্লবা মতুংদা পীজবিগনি। মসিনা পুক নুংশিৎ কাবা, খোঙ হামথবা, ওবা, এনোরেক্সিয়া হায়বদি চানিং-থকনীংবা ফাওদবা অসিদসু থোইদোক্লা কান্নহল্লি।

(ii) উনশাগী লায়নাশিং :- ফুগ্রী থুংদুনা হাক্চবা, ঙাংশং ঙাংবা অমদি উনশা চেকখায়বদা পোরোংখোক মনা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই।

(iii) ফম্বী শোন্থবা :- নুপাগী ফম্বী শোন্থবদা পোরোংখোক পান্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। পোরোংখোক পান্বী শুগাইরগা খোইহীগা নৎত্রগা চিনি অঙাংবগা তোৎলগা চাং নাইনা নোংমদা চামচ ২গী চাংদাদা পীজবীগনি।

(iv) হার্টকী অনাবা :- পাউদম অমগী মতুং ইন্না পোরোংখোক পান্বী অসি মীওইবগী হার্টকী মশলশিং অসি মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্মী অমসুং ঈগী খোংজেল চাং নাইহল্লি।

(v) শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা :- পোরোংখোক পান্বী অসি মীওইবগী থবোন্বীদগী এলর্জিক (allergic) অমসুং ইনফ্লেমেটোরি (Inflammatory) কেমিকেলশিং থাদোরকপা অদু থিংদুনা শ্বর মপূং ফানা হোলহনবা ঙম্মী।

(vi) নুংশং থুংবা :- পোরোংখোক পান্বী অসি মীওইবগী অমাংবা য়ৈখৎপা অদু ফহনবতা নত্তনা নুংশং থুংবদসু শীজিন্নৈ। অমাংথোং হাক্চবদা পান্বী অসি য়াম্না কান্নৈ।

(vii) ঈশিং য়াফম তৌবা :- কনাগুম্বনা ঈশিং য়াফম তৌরবদি পোরোংখোক পান্বী অসি ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ২গী চাংদাদা পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই।

(viii) ব্রেন ফগৎহনবা :- পোরোংখোক পান্বী অসি মীওইবগী নীংশিংবগী শক্তি হেনগৎহনবতা নত্তনা পূক্লিং হকচাং লৈতাদবা অমদি পাখৎপদসু থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদম লৈ।

(ix) আর্থ্রাইটিস :- তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌরবদি পোরেংখোক পান্বী অসি শুগাইরগা চাং নাইনা অনাবা মফম অদুদা থোম্বদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংগনি।

---

# ইমালোল-মীতৈলোল

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**লৈবাক** অমগী ফুরুপ অমগী চাওখৎপগী থাক লেপ্লদা লোল হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা মচাক অমনি। মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূম্নমক্তগী তাইবঙ মীওইবনা খ্বাইদগী হৈশিংবা, চাওখৎপা কাঙবু অমা ওইনা লৈরিবসি ঐখোয়না শেমগৎলিবা লোল ময়াম অসিগী মপান্ননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তাইবঙপানবা অসিদা পলেম ইমানা ইহান হানবা ওইনা তম্বীবা লোল (পুন্সিদা অহানবা ওইনা খঙখিবা অমদি ঙাঙখিবা লোল) অমদি লোল অদুনা ইমা লৈবাক্কী ওইনসু ফাওনলোল ওইবা অদুগুম্বা পুন্সি অমদি খুন্নাইগা তৎন-থানবা য়াদবা লোল অদুবু ইমালোল হায়না খঙনগদ্রা? নৎত্রগা পূক্লিং ৱাখলদা ফাওরিবা ইহুল অমদি থম্মোয়দা লৈরিবা খ্বাইদগী কোম্না অমদি ময়েক শেংনা ফোঙদোকচবা ঙম্বা লোলদুবু ইমালোল কৌগদৌরিব্রা?

লোল হায়বসি করিনো অমদি 'লোল' হায়রিবা ৱাহৈসি কদাইদগী মতৌ করম্না হৌরকখিবগে হায়বসি কুপ্না নৈনবগা লোয়ননা মীতৈলোল হায়না খঙনরিবা ঐখোয়গী ইমালোল অসিগী হৌরকৱারী অমদি লোল অসিনা শুম চাওখৎলক্তুনা হৌজিক্কী থাক অসিফাওবা য়ৌরকপগী ৱারী ৱাখোঙশিংদু নিংথিনা থিজিন-হুমজিল্লবদি লোল অসিগী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই, ফজবা মচৎশিং খঙবগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী হৌরকৱারী, নাৎ অমদি চৎনবী কয়াসু ফজনা উৎপা ঙমগনি। লোলনা ইমানি, ময়েক্না ইপানি হায়নরিবা অসিগী মতুংইন্নদি ইপা লৈনা লৈনা ইমালোল অসিনা শাংখ্রবা মতম অমা শেৎন-খাইনদুনা লুখ্রাবীগুম লৈরুরবনি। মীতৈলোল অসি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী (মীতৈখক্তা নত্তনা) তোঙান তোঙানবা লোলশিংনা পুল্লগা শেমখিবা ঐখোয়গী অপূনবা ফাওনলোল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। অদুনদি লোল অসিনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী নাৎ, চৎনবী, লাইনীংনচিংবা কয়াসু পুদুনা চৎলি হায়বসি শোয়দনা চুমগনি। অৱাং নোংপোক ভারত্তা হিংদুনা লৈরিবা টিবেটো বর্মন লোলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওখৎলে হায়না য়ানরবা মশাগী ময়েকসু চপ চানা লৈজবা মীতৈলোলবু 'মণিপুরী' হায়না মমিং ওনখ্রিবসি কনা কনানা করম্বা মতমদা করিগীদমক্তা ওনখ্রিবনো? মতাং অস্বাইদা মীতৈলোলদি অদুম মুৎখ্রে হায়বা য়ারে। লোল অমনা মুৎখিবা মতমদা লোল অদুবু ঙাঙলম্বা ফুরুপ অদুগী আইদেন্টিটি ক্রাইসিস থোক্তুনা চপ চাবা নেসন অমা ওইবা ঙমদদুনা মুৎখিবগী ৱারী কয়া মালেমসিদা লৈরিবনি।

মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ, মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবগী নুমিৎখক্তং শুম পাঙথোক্তুনা নীংশিংবা অমদি মুৎখিগদৌরে হায়বগী নুংনাংবখক ফোঙদোক্লরগা হৌখিবা চহী কয়াসি লেল্লকপা - কন্ননবা, য়োকখৎনবা অমদি চাওখৎহন্নবা খূৎশিন-থৌরাংশিংদি লৌখৎলকপা ইউ উদবা অসিগী হায়রুরবদি হীরমসিদা লৈরিবা অখঙ অহৈশিং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না শোয়দনা ৱারৌনরমগনি। মীতৈ মচা ফাওবনা মীতৈলোল তম্লিংলক্ত্রদুনা অলটর্নেটিভ ইংলিস ওইনা পাম্ন রকপগী মরমশিং অদু লোলগা মরী লৈনবা নুমিৎকী থৌরমশিংদা মহৈরোয়শিং দিবেটকা তৌনহল্লবদি য়াম্না কান্নগদ্রা হায়না খল্লি। মমালোলদা য়ূম্ফম ওইদবা এদ্যুকেসন্না লাইরিক হৈবগী চাং হন্থহল্লে হায়না মালেমগী লৈবাক পূম্বদা অখঙ অহৈশিংনা লাউজরবসু ঐখোয়গী মণিপুরদদি লন্নাইগী ইংলিস স্কুলশিংনা মখোয়গী কেম্পসতা মমালোল ঙাঙবদা অথিংবা থম্নবসু য়াওরি। লূপ খরনদি মমালোলবু তাথিবা স্কুলশিং থিংজিল্লগনি অমদি চেন্নরম্বা ওজাশিংনা অহকপা চৈরাক ফাওবা পীগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজকী থাক্তা কাখৎনবগী মতিক ময়াই অমদি মচাক মচন পূম্বা শুনা মীতৈলোলদা য়াওই হায়না কন্না ফোঙদোক্লরবসু ঙসি ফাওবদি নুংঙাইবা পাউ তাবা ফংদ্রি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা মনুং থিংনা পাউ ফাওনবা য়াবা লোল খরা খনগৎপদা য়াওরিবা মীতৈলোল (মণিপুরী) গী তোঙানবা দিরেক্টরেট অমা হাংদোক্লবসু লোল অসিবু তশেংনা কন্ননবা অমদি চাওখৎহন্নবা ষ্টেট লেঙ্গৌইজ পোলিসিগুম্বা অমা শেম্বদি থেংনজদ্রি। মণিপুর ওফিসিএল লেঙ্গৌইজ এক্টসু মতমগা চুননা শেমদোকপগী তঙাইফদবা কয়া অমা লৈরি। মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৫ লৈবগী মনুংদা লোল ৩৩ শকখঙলবসু ত্রাইবেল লোল ১০ রোমতমক মহৈ-মশীন তম্নবগী অয়াবা পীরিবা অমদি হিল এরিয়া কমিটিনা এপ্রুভ তৌরগা কুমজা ২০১১ দা মণিপুর লৈঙাক্তা পীশিনখ্রবা ত্রাইবেল লেঙ্গৌইজ পোলিসি অদুসু ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থম্বীরিবসি এন্টি-ত্রাইবেল লেঙ্গৌই ওই হায়না হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা?

মরকসিদা ঈশিং ঈচাওগুম্না জর-জর হেনগৎলক্লিবা গ্লোবেলাইজেসন অমদি ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসন্না মালেমসিদা লৈরিবা লোল মচা মচা কয়াদি পুংমুৎ মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম কয়াসিদা লিঙ্গুইষ্টিক সবজেক্টকা মরী লৈনবা মীতৈলোলবু নৈনবীরিবা অমদি চাওখৎহন্নবা চেন-চোঙবিরিবা ইচিন ইনাওশিংনা করি করম্বা ফিরেপ লৌদুনা অমদি খূৎশিল থৌরাং তৌদুনা মমল য়াম্লবা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী ফাওনলোল অসিবু মালেমদগী মুৎখিদনবা হোৎনগদৌরিবগে? মীতৈলোলগী মনুংদা য়াওরিবা ডাইলেক্টশিং - চকপলোনশিং, ককচীং, মোইরাং, ৱাংঙু, শুগনুনচিংবা ঙাঙনরিবা লোলশিং, হৈরোক, খাঙবোক, নিংথৌখোঙনচিংবদা শীজিন্নরিবা লোলশিং অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা ঙাঙনরিবা লোন্দা-পুদাশিং অসিদি কলহৌবগী মথৌ তাদ্রব্রা? লৈত্রগদি মীঙোন্দগী পুবা হায়বসিদি তাইবঙগী হৌনশানি। অদুবু শুম পুদুনতা লৈবগী মহুত্তা ইশাগীসু ইচাক-ইরন ৱাত্তনবা মতম চানা থবক লৌখৎহৌবসু মথৌ তাই। অমরোমদনা ইশাগী পোৎ লৈনা লৈনা মীঙোন্দগী শুম পুরগতা শীজিন্নরবদি মীনা করিনি হায়খিগনি। কৈথেলবু বজার, মথৌ য়াঙ্গৈনবা/লান্ন-থৌরমবু শোরাৎ/শ্রদ্ধ, ঈপান থাববু স্বষ্ঠি পুজা, লাইবু ঈশ্বর, পাউরৌ পান্থৈবু প্রমান-পান্থৈ অসিনচিংবা থাবদা লোয়বা নাইররোইদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়ানি। ইপোৎ লৈনা লৈনা লমগী ষণনা মচি শাংই হায়না নীংলুরিবসি। যাত্রা তৌবা/হুনবা, গাড়ীগী ভারা, হক, পুখ্রি, বর, নালা, দুকান, পরিক্ষা, আশা, উপায়, শান্তি, মুর্ত্তি, রাজনিতি, মন্ত্রি, পুর্ণিমা, থাগী তলব, পাপ, দান, ইন্দ্রি, দণ্ডিনচিংবা মশীং থিঙমদ্রবা মীরোল লোনয়ান কয়াসি ঐখোয়গী মীতৈলোলদা চান্নবা ৱাহৈ ৱাতা অমত্তা ফংদব্রা? মীতৈলোলগী লোনয়ান খন্দোক্লবগী অচৌ অচৌবা মীফম কয়াসু ফমখ্রে অমদি ঐখোয়গীদা হান্না লৈরমদবা লোল, ৱাহৈ-ৱাতা, কয়া নৌনা শেমগৎনবগী ৱা তান্নখিবগী পাউসু মীয়াম্না শোয়দনা তাবীরম্লগনি। অদুনা মীতৈলোলগী হিংগৎ ঈহৌশিং অসিদা মরী লৈনবশিংনা তাবীরম্লগনি। অদুনা মীতৈলোলগী হিংগৎ ঈহৌশিং অসিদা মরী লৈনবশিংনা লৌখৎলক্লিবা থবক-থৌরমশিং অসিনা পুরক্লিবা কান্নবশিং অদু নৌহৌননা অমুক নৈনরবদি লোল অসিগী হৌজিক ওইরিবা থাক অদু খরগা হেন্না মুন্না খঙবা ঙমগনি হায়না খল্লি। মীলালনা মীতৈলোল অমদি মীতৈ ময়েক চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা থবক কয়া মথং মথং লৌখৎলকপগী শরুক অমা ওইনা 'লমদমসিগী অইবশিংনা লাইরিক, ঈশৈ, শৈরেং, ৱারী, লীলা, দ্রামা, ফিল্মগী ময়েক ইবদা লোনয়ান শীজিন্নবীগনু' হায়না লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রবসু মরী লৈনবশিংনা মদুগা চান্নবা থবকশিং লৌখৎলকপদি ইথেং থেংনজদ্রি। ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফাল অমদি দি দি কে ইম্ফালনসু হীরমসিদা থৱায় য়াওশিনবসু তৌদে। য়ানশিন্দবা লোল মালেমদা লৈতে, ইংলিস ফাওবা মালেমগী অতোপ্পা লোল কয়া লৌশিন্দুনা শীজিন্নেরি হায়বগী ৱাফম্না মাঙওইনরগা ইমালোল অসি শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না নীংদে। সংস্কৃট লোল য়ান্দুনা ঙাঙলবদি লাইরিক হৈবা অমদি অৱাংবা থাক্কী মীনি হায়না খন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি ইংলিসনা মহুৎ শিনখ্রবরা হায়না মীয়াম্না হংনরি। য়ুনিভর্সিটি খরদা বি এ, এম এ অমদি পি ঐচ দি কোর্সশিং হাংদুনা য়ু জি সী-এন ঈ টি ইগজাম ফাওবা য়ারবা অমদি য়ু পি এস সীগী ইগজামদসু য়াওরবা মীতৈলোল অসি সাহিত্যদা য়াম্না ইনাক খুল্লি হায়বসি সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লিনফাওবা য়াবীরবসু মীতৈলোলদা সাহিত্য হায়বা ৱাহৈগী চপ চাবা ৱাহৈ অমত্তা লৈত্রি। খরা অমনা 'লোয়নশিল্লোন', খরা অমনা 'খোরিরোল', খরনা 'শৈরোল' অদুগা খর অমনা 'পুদিন' হায়না মানা মানা পাম্বা লোল পংশিদা শীজিন্নরি। মৈতৈলোল হায়গদবনি অমদি মীতৈলোল হায়গদবনি হায়নসু কন্না য়েৎনরি। গভর্ণমেন্টকী গেজেত্তা ফোংলগা হেক্তা চুম্লগদ্রা ঐখোয়দি 'মৈতৈলোন' হায়না অদুম শীজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখ্রবনি।

মণিপুর লোল, সাহিত্য অমদি কলচর চাওখৎহন্নবা লোলগী পুক্কে চোলহন্নবা হায়দুনা হৌদোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরনা ফাওবা মখোয়গী সেলেবসতা অমদি পি ঐচ দি থেসিসশিংদা সাহিত্য, সংস্কৃতি, সমাজ, কবিনচিংবা অপূবা/অৱায়বা ৱাহৈ-ৱাতা কয়ানা লৈতেং ওইনা শীজিন্নরিবনা ইমালোল অসিগী মরাইবক তম্বা খরা ৱানা থোকখিগনি। মোইরাং কংলৈরোন নৈনবদা 'কুঞ্জমালা' হায়বা মমিং অমা য়াওরিবসি অদুঙৈ মোইরাং শাইওন ৭কী মতমদুদা লৈরম্লবা মিংলা হায়বসি কনামত্তা খন্থনরবা তৌদনা অদুম শীজিন্নরি। নিংথৌবু ঙম্বা অঙম্বা মোইরাংগী পুরেম্বগী মচা খম্নু অমদি খম্ববু পৎ-তৎনা লায়রবা মচা ওইনা শৈথারিবসি কদাই ফাওবা চুম্ব্রা/লানব্রা হায়বসি ঙসি ফাওবা নৈনরোই অমত্তনা পল্লকপা থেংনদ্রি। মণিপুরগী কলচর তম্বদা, নৈনবদা অমদি থিজিন হুমজিনবদা য়াম্না মথৌ তাবা মীতৈলোলগী মচাকশিং অমদি হৈশিংবা কয়াদু মেনখৎনবগী পান্দমদা লিংখৎলিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী অসিনসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী পান্দম অদু শোয়দনা ফংহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়না থাজে। লোয়ননা মীতৈলোলনা মমালোন ওইবা ইরৈচাশিংনা ইংলিস, হিন্দি অমদি অতৈ লোলশিংদা বি এ, এম এ অমদি পি ঐচ দি তৌনরিবসি মীরমগী লোলশিং অদুগী চাওখৎপগী থাকশিং অমদি চাওখৎনবা হোৎনবদা মখোয়না শীজিন্নখিবা ৱাখল-লৌশিং কয়াদু নৈনরুরবা মতুংদা ঐখোয়গী মীতৈলোল অসিসু চাওখৎহন্নবা অমুক হোৎনবীরক্লবদি কয়াদা লাইবক ফগদবা।

লাই হরাউবগী লাইশোন-তীলশোনশিং, ঈশৈশিংদা য়াওরিবা অমদি মীতৈগী অতৈ লাইশোন-তীলশোনশিংদা, খুন্নুং ঈশৈশিংদা, অরিবা পুয়াশিংদা শীজিন্নরিবা অরিবা লোলশিং/খুন্নুংলোনশিং অদুক্কী মতিক লিরবা লোন্দা -পুদা, ৱাহৈ-ৱাতা কয়াসি হৌজিক্কী মীরোলনা ৱাহন্থোক ফাওবা খঙদবা কয়া য়াওবনা নৈনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবসি কোক্নবা কনা-কনানা হোৎনরিবনো খঙদে। ইমালোলদা মিং থোনবা অমদি ওনবগী ঈহৌ অমা কন্না লাক্লিবসি মীতৈলোল চাওখৎলকপগী খুদমনি হায়না লৌবা য়ারব্রা? শোরাৎ, ফিরোই, নাহুৎ-নারেং, লাংবন তর্পননচিংবা ইনাৎকী লাইথৌ-তিনথৌশিং পাঙথোকপদা ইরাৎ-ইশোন, ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা কয়াদু ইমালোন্দা শক-শোনবীয়ু হায়না মীয়ামগী ঈহৌ লাক্লিবনি তাল্লকসিদা। লমদমসিগী পুৱারীদা ইহান হানবা ওইনা মহৈরোয় ১৩,০২৬ না কুমজা ২০১৫ দা মীতৈ ময়েক্তা মেত্রিক পরিক্ষা থাখ্রে হায়বা পাউ তাবদা কয়াগী মতিক হরাউজখিবা। লেপ্তুনা লাকপা খোঙচৎ ওইবনা হৌজিক্তি কোলেজগী থাক য়ৌরকপনা চহী খরগী মতুংদদি এম এদসু মীতৈ ময়েক্না শোয়দনা পরিক্ষা থারগনি। ইংলিস লোল অসি হৌজিক্কী মতমদদি য়াম্না মরুওইবা লোল অমা ওইরে। মসি তম্বা তোল্লগা মীতৈলোলনা মহুৎ পুরা শিল্লসি হায়বা নত্তে। অদুবু মখোয়গী লোল অসিনা মীতৈলোলদগী হেন্না মরু ওই হায়না খন্নরকপগী ফীভম অমদা লাক্লিবা অসিদি চুমথোকহৌবা মতম ওইরব্রা হায়জবগী ৱানি। মীতৈলোল অসি মাঙখিবা তারবদি ফুরুপ অসিগী নেসনল আইদেন্টিটি অমসুং কলচর মাঙখিবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মরম অসিনা মীয়াম পূন্না মুন্না খন্থবা মতম ওইরে। লাইরিক তম্বীবদা লমদম অসিগী কলচর অমসুং আইদেন্টিটি অসিগা শাগোন্ননা চৎহন্দুনা তুংগী মীরোল অসি কলহৌবা তঙাইফদে হায়না অরোইবদা থমজরি।

